ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ুমশকৈশা, ওগষ্ট ১০, ২০১৬, ইম্ফাল

৪০ শুবা চহী, ১৩২ শুবা মশীং

# শর্মিলানা চরা হেনবা তোকপা

## *নন-ভাইওলেন্সকী খোঙজং কান্নদ্রে উৎপনি*

***ঙসিদগী*** চহী ১৫ গী মমাঙ কুমজা ২০০০ গী নভেম্বর ২ দা মালোমদা আসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা মীচম ১০ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা থৌদোক্তা ইরোয়ননা লৈবাক অসিদগী আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পৱার্স) এক্ট, ১৯৫৮ লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ইরোম চনু শর্মিলানা নাইতোম ওইনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখি। মালেমদা নাইতোম ওইনা মীওই অমনা দিমান্দ অমা তাল্লদুনা চহী ১৬ চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা ইরোম শর্মিলা মথন্তনি। বৃটিশতগী নিংখা তম্নবগী লাল হৌখিবা মহাত্মা গান্ধিনা করিগুম্বা হিংলম্বা থোক্লবদি শর্মিলা উবদা শোয়দনা খুরুমগনি। মহাত্মা গান্ধিনা নিংতম্বা ফংননবা চঙশিনখিবা খোঙজং অদু ইন্দিয়ন নেসনেল কোংগ্রেসকী লীচিং মখাদনি। পার্টি অসিগী ৱার্কর লিশিং কয়ানা মহাক্কী খোঙজং শৌগৎখি অমসুং মতুং ইনখি। মতমদুগী শেল পায়বা মীওই কয়ানা কোংগ্রেস পার্টিদা শেল থাদদুনা মীয়ামগী ঈহৌ মপাঙ্গল কলহনখি। অদুবু মরাইবক থিরবী ইরোম শর্মিলাগীদি মণিপুরদা লৈরিবা লায়রবা নৎত্রগা ইনাক খুনবা মীওই অমত্তনা পাই অমগী মতেং পাংবা উখিদে। শেল য়াওদবনিনা চঙশিনগদবা খোঙজং কয়া মায়থীননবগী মরম ওইরকই। মসিনা মরম ওইরগা খোঙজং চঙশিল্লম্বা মীয়ামগা শর্মিলাগা তামথোক্ল রকখি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা ইন্দিয়াদা মহাত্মা গান্ধিবু লৈবাক অসিগী মপানি হায়না ঈকায়খুম্নবা উৎচরবসু মহাক্কী খুদুং ইল্লগা খোঙজং চঙশিল্লিবী শর্মিলবুদি ঈকায়খুম্নবিদ্রে। মহাত্মা গান্ধিগী লৈবাক্তা শর্মিলাগী খোঙজং মায়থীবা হায়বসি লৈবাক অসিদা নন-ভাইওলেন্সকী খোঙজং পুম্নমক মায়থীরে হায়বনি। হৌজিক্তি মীয়ামগী খোঙজং করম্বা মায়ওন্দা ওনশিনগদগে হায়বদা লুনা থোক্লে। নন-ভাইওলেন্সকী খোঙজং কান্নদ্রে উৎলবা মতম অসিদা লৈবাক অসিদা কনাগুম্বা খরনা দিমান্দ ফংননবনি হায়দুনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবগী কান্নবা লৈত্রে হায়বদু ইরোম চনু শর্মিলানা মালেমগী মীয়ামদা উৎলবনি।

অফস্পা লৌথোক্লনবা দিমান্দ তৌরদুনা চহী ১৬ লোম চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লকখিবী ইরোম চনু শর্মিলা ঙসিদগী চরা হেনবা তোকখ্রে। মহাক্কী শাংলবা খোঙজং অসিদা অমুক্তা বেল লৌ হায়বা য়ারকখিদ্রবা তুংদা ঙসি লুপা লিশিং ১০ গী স্যুরিটি বোন্দ পীরদুনা কৈশুমশঙদগী থোকখ্রে। মালেমগী মীপুম খুদিংমক্তা অফস্পানা মীওইবগী হক খমথেংনা মাংহল্লি হায়বা পাউজেল পীরম্বা ইরোম শর্মিলা চনুনা মহাক্কী খোঙজং মায় পাক্তনা লোইশিনখিবা নুমিৎ ওগষ্ট ৯ অসিবু মণিপুরদা নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ কাওবা ঙমদবা নুমিৎ ওইহৌরগনি। ইন্দিয়াগী মতিক ময়াই চেল্লবা মীওই কয়ানা শর্মিলাগী পুক্নিং হোংহন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবদু হন্দক্তি মায় পাকখ্রে। অমুক হন্না অফস্পা লৌথোকউ হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা চরা হেন্দুনা তকশিনগদবা মীওইসু পাক হেক থোরক্কনি হায়বা থাজবা ঙমদ্রে। মীয়ামগী খোঙজং পুম্নমক মহাম তাহনবা ঙম্বা ইন্দিয়াদা শর্মিলানা অনৌবা চাংয়েং অমা অমুক য়েংননবগীদমক পোলিটিক্সতা খোঙদারগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মহাক্না মীখল থেংনগদৌরিবা অসিগী এজেন্দাসু অফস্পা লৌথোকপনি। *আইরন লেডি* মিংথোল ফংখ্রবী ইরোম চনু শর্মিলানা পোলিটিক্সতা খোঙদাগনি, চীফ মিনিষ্টর ওইরগদি মহাক্কী অনিংবা অপাম্বসি শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ৱাফম অসিসু শর্মিলানা লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসিদা থাজবনি হায়বা লূচিংবশিংদা করেম্নবা ওইরম্বসু য়াই। লাইবক থিবা অমনা শর্মিলানা মহাক য়ুম্বান লম্বীদা খোঙদারগনি হায়খিবা ৱাফম অসিগা মহাক্না অফস্পাগী মায়োক্তা চথুগদবা খোঙজংশিংগদি শমজিন্নৌ হায়বা য়াগনি থাজদে। মীতোপ অমদা ময়ুম পানখ্রগা মণিপুরদা লৈহৌরিবা মীয়ামগী অৱাবদা মহাক্না নোংমফাদোক শরুক য়াবদি য়াই। মদু নত্তনা মঙোন্দগী মীয়াম্না থাজনিংঙাই লৈতে। হৌজিক্তি লৈবাক অসিদগী অফস্পা লৌথোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা খোঙজং পৱার পোলিটিক্সনা ওইগনি হায়না শর্মিলানা লৌখ্রবনিনা মীয়াম্না মহাক্কী মতুং ইনগদ্রা, মঙোন্দা মীয়াম্না শৌগৎকদ্রা হায়বা ৱাফম অমা থোরকই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ইরোম শর্মিলা চনুনা মীয়ামগী থৌজাল পীরিবদি পোলিটিক্সতা খোঙদারগা মীরেপ ওইবদু নত্তে, মহাক্না চরা হেল্লগা অফস্পা লৌথোক্লবা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুনি। খোঙজং অদু হৌজিক্তি মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াদ্রবনিনা শর্মিলানা করম্বা খোঙথাং লৌরক্কদগে হায়বা মীয়াম পূম্নমক্না য়েংখিবা তাবনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### থিঙেন্দা তাইনদ্রগা নাসিখোংদা তাইনবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***লৈরক অমা শৈশক অমা, মিৎয়েং অমা ৱাঙাঙ অমা, পোৎশক্তি অমত্তা, ৱাখলদি ময়াম***

ঙসিগী খুন্নাইনা শর্মিলাবু করি ওইনা উবিরিবগে! থম্মোয় পান্দবা ঐগুম্বা ময়াম্না তৌনরিবা ব্যাখা ময়ামসে তার-তারগা অহোইনদুম চমম্নহল্লে। অদুবু করিগী মীয়াম্বু থম্মোয় পান্দে হায়রিবা! অদোমগী থম্মোয় পানবীরবদি করিগী তুমিন লৈবিরিবা! নোংমৈনা লাঙ্গৈই চল্লবা পন্নুংদা ৱাখল থোক্তরে, অচুম চুমদা খন্নসি হায়রবদি খূৎলাই থম্বীয়ু, বলিগী থাঙ থাঙ্গৎলগা করিদনো ঈং-তপ্পা খন্নসি হায়রিবা! ৱাখল অদুদি থাঙ পায়রিবা অদুনা খনগদবা নত্তে, য়াথং তৌরিবা অদুনা তৌগদবনি। হায়বদি কাপ্লিবা নোংমৈ অসি সিফাইনা কাপ্পা নত্তে, য়াথং তৌরিবা অদুনা তৌবনি হায়বদি 'ওর্দর ইজ ওর্দর' হায়বসি ওর্দর অদু য়াওদনা কনাগুম্বা সিফাই অমত্তনা কনাদসু খূৎ থাদে। মসিনা তাকপদি থম্মোয় পানবা থোৎ নৌবনা চৎনদে। লৈঙাক মপুনা হায়বদি মীয়াম্না ভোট থাদরগা খল্লিবা মীহুৎনা অফস্পা থম্বীয়ু হায়দুনা থম্বা ওইবনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগা মুখৎপা ঙমগনি খন্দুনা মদু ঙম্ননবা এম এল এ ওইগে হায়বনি। ফম অদু পাম্বগী ৱাফম শুকয়াও য়াওদে। মসিদা মীয়াম্না লান্না লৌবীদবা ফৈ। হায়বদি লালোং হোংবগী ৱাতনি। দিমান্দ হোংবগী ৱাফমদি শুকয়াও য়াওদে। চহী ১৬ লোম চরা হেন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লবা অসিদা মীয়াম্না ৱাখল তানরবদি, ইরৈবাকপু শেংনা নুংশিবা ওইরবদি নহান্না এম এল এ অমদি মন্ত্রি ওইরিবা ময়াম অসি মীয়াম্না শম পায় পায়দুনা চিংথুবগী ঈহৌ লৈরবদি হৌজিক হৌজিকসু অফস্পা লৌথোকপা অরুবা ওইদে। মসি হায়বগী মরমদি সেন্টরগী মকোক ওইবশিংনা হায়রি "মণিপুরদা অফস্পা থম্বদি সেন্টরনা নত্তে - নখোয়গী লৈঙাক্কী কাঙবুনা থম্বীয়ু হায়বগী থম্বনি - অদুনা থম্বীরনু হায়রবদি হৌজিকসু খুদক্তা হেক্তা লৌথোকপা য়াই" মসি হায়জিনবা নত্তে। অদু ওইরবদি সেন্টরদা মরাল পীশিনবগী মহুৎ ঐখোয়গী মীহুৎ এম এল এ মরুওইনা মন্ত্রিশিংদা খোল্লাউগী চৈথেং পীদনা লৈরিবা করিগীনো-লাইরিক লাইশু হৈরবা ময়াম্না থন্না লৈরবা মরক্তা দিমোক্রেসিগী ৱাহন খঙদবা, নৈনদবা অসি করি লৈবাক্তা লৈরমগদগে খনবদা কপনীংই। অদুবু শর্মিলাদি খঙবনিনা অরোইবা চাংয়েংদা হায়গনি। অদুবু করিগুম্বা মায় পাক্লবসু মদু থবক্তা ওস্থোকপা ঙমদ্রবদি খুদক্তা রিজাইন তৌগদবা মীতানি- ফম পাম্বা ওইনা উবীবদি লানগনি। মদুগী মহুৎ মতেং পাঙশিন্দুনা মীয়াম হুপ্না হোৎনবীবনা ফরগদ্রা খনজে। মণিপুরগী মীয়াম মিৎ পাঙনা পাঙনা তূম্লবরা খঞে।

*অদোমগী - ডা. অকোইজাম্ব নারেন, নিংঙোম্বম, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭


১। কবি অশাংবম মীনকেতন করি লাইরিক্তা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখিবগে?

২। 'ফাদোক অমগী শৈরেং' কবি কনানা ইবনো?

৩। 'লৈরোল চনখ্রবা থাজবা' গী অইবীদু কনানো?

৪। 'দ গাইদ' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১২, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ঈপুদা ইজবা চেবাউ ২০১৬ -(২)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

নুংশিজরবা ইপুখোই,

অথৌবা ইপুখোই পুনেমজরি। চাম্নরক হন্না ইকোকসে নোনজরবসু পেনবা কৌবা লৈত্রবা ইপুখোইগী নফমদা খজিক্তংগা অমুক পাউ তমজগে। হিগাইৱা, চিনগাইৱা ওইনা লৌবিগনু, অতাবা কাঙবুশিংগী মনুংদা অরানবশিংনবুদি কয়া খোইজংদৌ মান্দে, ইজরিবা ঐবু ৱারৌবিবা নত্তনা। অদুবু ইপুখোইদা পাউদমজরগা খরা খজিক থম্মোয়সে ঈংথজবা ওইজগে।

পেনখিদ্রেদা ইপু, ইপুখোইনা হোই লাউদুনা পাল্লম্বা লমদম অসিগী লম্বী থোংসে। মমাঙঙৈ ইপুহোই মতমদদি মী পংয়াম য়াম্লমদে, ইশাগী লৌবুক্তা ফংবা মহৈ মরোংনা লৈরিবা পূম্বা চাবা কোন্নরম্মী তাজৈদো। অদুবু ইপু হৌজিক্তি মীসি য়াম্মে। হৌজিকানসিদা তৌরিসি মীতোপ চঙলকপা য়ারোই হায়না হায়না নোংমদা মীসি ওপারদা চঙলক্লি। কাচিন কোয়া শিন থুংনা শন্দোকখ্রি। অশঙবা চীংশাংনা, অৱাংবা উজাওনা লমদমসিগী মহৌশাগী ফজবা ঙাক্লম্বা পূম্নমক হৌজিক্তি মীতোপ মীরানচাশিং অসিনা চীংশাং নাপোম থুংনা খুন্দাশিল্লক্লে। ইম্ফাল ময়োলদা হান্না খূৎমাবদগী হৌজিক্না লোইরে অমুক্তোইবা চীং হায়বা করি হায়বা অমা লৈত্রে, মোইনা পুমথন থনখ্রে। অদৈ শুম মীশিং হেনগৎতনা লৈয়ু হায়দি য়াদবনিনা য়েলহৈমীশিংসু নোংমা নোংমগী পংপোক্তা পোক্লরকপনা মীদি য়াম্মে। শিবা হায়সিনা মী অমগী পুন্সিদা চহী য়ামদ্রবদা ৭০/৮০ দনিদো, অদুনদি মীসি শুম হেনগৎলক তাবা। য়াম্মে য়াম্মে মী য়াম্মে। মণিপুরদা চান-থক্লবা, পোথোক-চৈথোক, ফিরোলদগী চিংলগা অতৈ পোৎলম পূম্নমক্কী মমলনা অতিয়া পকখ্রবসু, খ্বাইদগী হোংবা অমা হায় তারদি মী মঙাইরে। মীদি হোংঙে ইপুখোই। ময়াম অসি থাক্লিসিনা টাটানিদো। টাটা হায়সিদা ইপুখোই ৱাখল অমা তৌরম্মনি। নেসনল হায়ৱে অনীসিদা চেল্লিবা পোৎ হোনবা পঞ্জাব বোদি টাটা ত্রকশিংসিনা কনাগী অচা-অথক, ফিরোল, হৱাই-চেঙৱাইদগী চিংলগা নোংঙানবদগী শীজিন্নবা হৌরিবা কোলগেট, ব্রশ, লৈখেৎতগী হৌরগা, মৈখেৎ, কেন্দল, ই! খোগোপ্পা হায়তারেনে নুমিৎ তাবা ফাওবদা শীজিন্নরিবা পূম্নমকশিং অসি মোইনা লোইনা হোনজিল্লগা পুরক্লগা শ্বাইদা অফাও শানবা ঙাক্তনিদো। মণিপুরদা থোকপনি হায়দনা হৱাই উরোন (মাইরোংবী) কেজি অমা ফাওবা কৈথেলদগী লৈগে ফংবা লম নত্তেদো। অদুনদি মদু পুরক্লবা লম্বীসিদা তৌরিসিদি ইপুখোই তাবদা/উবদা হুমাং কাঙনবীজাৎনি। জিরি লম্বীসিগী মক্রু থোংদগী হৌরগা কিলোমিটর কয়া অমদি লম্বী ময়াইসিদা তৌরিসি লম্বী নত্তে ইপু। লৈখোম লৈনাং পুখ্রি মচা, খোঙবান মচানি। চাওখ্রবা টাটা চাকা থুম্বিবনিনে। মদুদা চৎপা য়াদদনা গাড়ীশিং অদুগী মথুন্দা দোজরশিং অসিনা ইল্লগা পুরিনিদো, নৎত্রগা মমাঙদা য়োৎলি থুরগা চিংঙিনিদো। লৌ লীংঙমদাইগী উকাই তকথোক্লবা লৌবুক্তা চপ মান্নবিনিদো। ওস্থোক্লা ফীভম চাখিদ্রবা লম্বীনি। লম্বীসিদা শেমজিনবিয়ু হায়সি গভর্ণমেন্ট অসিদা ফনা য়াম্না হায়দুনা লাকপসি ইপুখোই কুমজা মশীং য়াল্লেদা। শুকশেম হেক শেমদে। গভর্ণমেন্ট অসিনা হায়বু মসিদি বি আর টি এফনা শেম্বনি মখোয়গী মথৌনি অমুক হায়, মসি ঐখোয় পি দল্লিয়ু দিনা লৌশিল্লগা শেন্ননি অমুক হায় লাকইসি ইপু নচিন থি হায়নি ঐনা অঙাং পিকক্র ওইরিঙৈদগী তারক্লবনি। হৌজিকফাও শেমদে। গভর্ণমেন্ট পাল্লিবনি। মসিদবু শেম্লগে হায়রদি করি লৈবা থবকনোদা। ইম্ফাল অমদি অতৈ অতৈগী লৈরক খুল্লকসু চৎপা য়ানদ্রেকো, অদুবু শেম্বীরনু জিরি লম্বীসিদা পুল্লপ মেন পৱার, মেছিন পৱার, মনি পৱার পুল্লপ হৈথরগা শেম্বীরো। মসিদি লমদমসিগী থৱায়গী লম্বীনি হায়বু য়াদেনে, সিবু কৈগীনো ইপু। অদুক ৱানা দ্রাইভরশিং অসিনা লুমখ্রবা পোৎশিংদু পুরগা পুখরবা মাগী গাড়ীদু লম্বী লাম্থোক্লবা হোৎনবদা লান অমা থেংনবদৌনা তৌরিসিতবু করম কান্দা কোকহন্নবা কনা লাক্লগা তৌদোইনো খঙদ্রে। লোইরে, লোইরেদি হায়হৈদেয়ে, লোইদি লোইরে ইপু। ইপুখোই লাক্লিঙৈসিদা অমুক্তা জিরি লম্বী ফাওবদং চৎপীরগা হায়ফেত্তা য়েংবিরম্মু। অদুগা গভর্ণমেন্ট অসিগী মকোক্তগীনা মথুন ফাওবশিংগী মমঙ-মহাদা অমুক্তা ***নোয়বু সিমতংদি তৌদনা*** হায়দনা অমুক্তা মঙগ্রেম্নবিরম্মু। মসি তৌহৈদবনি। কনাগুম্বা বি বি সিগুম্বা, সি এন এনগুম্বা ইন্টরনেসনল চেনেলগী পাউ অমদগা হাপ্লদি মালেমগী মীয়াম্না মসি লম্বী নত্তে হায়না শোয়দনা মরৈ য়েৎলক্কনি। অদু ঐখোয়দি লম্বীনিনা লম্বীনি হায়দনা য়েৎলুদৌরিনি। অরেম্বদা মালেমগী মীয়ামগা ঐখোয়গা মরৈ য়েৎনবদা মওং তাররোই।

মসেমসি ইপুখোইগী নুমিৎনি, থৌরি থুখিবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিদগীদি থৌরম মফম শিন থুংনা মাইক্তা হায়দৌরিনি। সনা লৈবাক মণিপুরনি, অথৌবা পোকপী লমদমনি, ঐখোয়সু মখোয়গী মচা মশুনি গাইনা ইপুখোইবু থাগৎতুনা ঙাঙনরক্তৌরিনি। ইপুহোই শোয়দনা তানিংলোই নাকোং লশিং মেল্লগা খাঙনীংগনি। হাকুমসু ইপুখোয় ঈ কারগা হল্লি হায়দাই। লৈবাক মীয়াম হৌনা আই এল পি চৎনহনগদৌনি হায়না মী শিবা য়াওনা অদুক চাউনা হৌবা ঈহৌদু, মথুন মনানা তাখিদবদুদা ইপুহোইসু ৱারৌদুনা অদুম হল্লে হায়দাই। অদুনা ইপুখোই লম্বী অনী খক থৱায় লম্বী ওইনা লৈরিসে খিত্তা ফরবদি কৈমতা ৱানরোইদৌরিবনিদো। ইপু নশুসু অতৈ ষ্টেট অচৌবশিংদা লৈরিবা নেসনল হায়ৱে খর চৎচরুরে। ফখ্রেদা মীগী লম্বীদো, পাকখ্রেদা, নানখ্রেদা, খুবাকমুক পাকপা কোমকুৎ মচা অমফাও হেক লৈতেদা। চাওখ্র-চাওখ্রবা গাড়ীশিংদুনা মপোৎ থন্না-থন্না হাপ্পগা ১০০ দা নেৎলগা ৱিংস-ৱিংস থৌবদু, লম্বীদগা কনাম খাম য়াবজাৎ নত্তে। দ্রাইভরদুনা মপান-ইপান থোক্লিংদনা খাম্ফম চানা খাম্বা নত্তনা, অপনবা পীরকপা লৈরম্বমখৈ পোক -পোক লাউনা শল্ল-শল্লগা লৈহৌবা নত্তনা। ঐখোয়গীদি লম্বীদু ফৎত্রবনিনা ঙেং-ঙেং হায়না কাঙকোট চৎপদৌনা চৎলবনিনা শুরি পায়বা অমা অনীনসু, অদুম লম্বীদা থৎলগা পোৎ মুল্লে। লম্বীসি অমুক্তা ফহুনবীয়ু, কনানা থৎপা ঙমগদগে য়েংসি। লম্বীসিদা থৌরিবা দ্রাইভরশিং অসি মথম্মোয় পেন্না অমুক্তা থৌজরগা লমদমসিগী মীয়ামগী মবুক পীক-পীক থলহন্নবা। য়াম্না ইকায়বা অমননে ইপু, কোন বনেগা ক্রোরপতি হায়বা প্রোগ্রাম অমা টি ভি চেনেল অমদা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী য়াম্না নেসনল হায়ৱেদা ব্লোকেদ তৌবা লমসি করি লমনো হায়না মমিং লৈরবা এক্টর অমিটাভ বচ্চননা এঙ্কর অমা ওইনা হংখি। মদুদা ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী তোইনা হায়ৱে ব্লোকেদ তৌবসি মণিপুরনি হায়না খুম্বদা নুপাদু লাক্ষ ৫০ ফংখি। মসিমদি ইপু ইকায়খ্রেদা। মণিপুরনা ফাওরিসি স্পোর্টস অমদি কলচর খক্তা নত্তনা ব্লোকেদতসু ফাও লৈরম্মে।

ইপু ইবুংঙোখোই নুংশিজবা, নখোয়গী নরমদম অসিদা তৌরিবশিংসি অরোইবীনিকো। লৈবাক শেমনি হায়না চোঙথোরক্লিবশিং হায়দি এম এল এগা ওইগেগা হায়রদি, তোঙানবা ক্বালিফিকেসন হায়গদ্রা মিংথোল হায়গদ্রা অমা পায়দা য়াদে। মীংথোলদু মশানা থোনজবসু য়াই, মাগী মী খরনা অদুম থোনজবসু য়াই। অদুদি অতৈ নত্তে, সোসিএল ৱার্কর হায়সিনি। য়েরুমদগী য়েনাও ওনবগুম, সোসিএল ৱার্করদগী পোলিটিসিয়ন ওনবা য়াই। মথং চহী অঙনবদা জেনরেল ইলেক্সন লাক্লনি। হৌজিক সোসিএল ৱার্কর মপান শাবা হৌরে। মরাইবক ফবা শেঞ্জাও পুথোকপা ঙম্বশিং খূৎ তিংথোক্লরে। কেমেরা মমাঙ মমাঙদা য়াম উরে। লৈরক ময়া, খুল্লক ময়া, লাঙখোং ময়া, চীংয়া ময়া, ইচাউ ময়া, লৌবুক ময়া, খোঙবান ময়া, অদগী হেন্দোক্তুনা ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা পীরিবা চেঙ ফংই ফংদেগী ঈহৌগী মমাঙ মীয়ামদা শক তাক্লবা সোসিএল ৱার্কর মিংথোল ফংলবা ময়ামসিনা হৌজিকসি কৈনো মহা থাবদৌনা থাবা হৌরে ইপু। য়েংবা হৈবনা কুম্মৈ হায়দুনি তৌরিসে। ঙসিগীদি লোইজরগে ইপু।

*পাঙদ্রবা নশু অমা*

# ওগষ্ট ১২ নেসনল লাইব্রেরি দে অমসুং মণিপুরদা লাইব্রেরিগী ঈহৌ

**ওগষ্ট ১২** ইন্দিয়গী মীয়াম্না ফাদর ওফ লাইব্রেরি মুভমেন্ট হায়না খঙনবা লাইব্রেরিগী হীরমদা ইন্টরনেসনল ফিগরনি হায়না লৌনরিবা ডা. এস আর রঙ্গনাথনগী মপোক নুমিৎনি। নুমিৎ অসি মহাকপু ইকায় খুম্নবা ওইনা নীংশিংদুনা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা চহী খুদিংগী লাইব্রেরি দে থৌরম পাঙথোকই। লাইব্রেরিগী হীরমদা কুপ্না নৈনবা মালেমগী মীপুম খুদিংনসু মহাকপু লাইব্রেরি সাইন্সকী ফাদরনি হায়না লৌনৈ।







ডা. এস আর রঙ্গনাথন

**– ডা. নাওরেম গিরিধারী –**

ডা. রঙ্গনাথন কুমজা ১৮৯২ গী ওগষ্ট ১২ দা মদ্রাজগী সিয়ালি খুঙ্গংদা পোকখি। রঙ্গনাথনগী ৱাখল্লোন খুদিং য়ুনিভর্সেল ওই হায়না অমেরিকান লাইব্রেরি এসোসিএশন্না শিংথাই। রঙ্গনাথনগী ৱাখলদি পোজিটিভ ওইবা, তুংদা লাক্কদবা চেলেঞ্জ খুদিং হান্না উবা ঙম্বা লোয়নননা মফম মতম চানা মরম চানা পাউখুম পীবা ঙমই।

মহাক্কী অৱাংবা থাক্কী ইন্টেলেকচুএল ওইবা অমদি ক্রিএটিভকী পৱার য়াওবা মফম মতম খুদিংদা চন্নবা য়াবা ৱাখলদি মতম পূম্নমক্তা চুমদুনতা লৈগনি হায়বা ৱাফম স্পেসিএল লাইব্রেরিজ এসোসিএশন, য়ু কেগী প্রোসিদিংসনা ময়েক লানা পল্লি। রঙ্গনাথন্না হায়রম্বা হৌজিক্কী মতমগা চানরবা ৱাফমদি "ফুরুপ অমা লমদম অমা চাওখৎলকপসি এক্সিদেন্ট নত্তে, লমদমদুদা লাইব্রেরি চাওখৎলকপগী ফলননি।" লাইব্রেরিদি ইনফোর্মেসনগী সুপরমার্কেটনি হায়না কন্না পল্লমই। মালেমদা মমিং লৈরম্বা ইনফোর্মেসন সাইন্টিষ্ট ঐচ সেরানসু হায়রমই নোলেজ হায়বসি খুন্নাই অমবু চাওখৎপা পুরক্লবা মীওইবা খুদিংগী মশাদা ৱাখল লৌশিং পুদুনা চেল্লিবা ঈগী ঈচেলদুনি। মী মীদুগী ৱাখল অমদি মাইন্দ সেটনা মীদুগী অমদি খুন্নাইদুগী অফ-ফত্ত পুরক্কদৌরিবনি।

এদ্যুকেসনগী খুত্থাংদা পাদুনা নৈনদুনা অফবা-অনৌবা অচুম্বা লোয়ননা পোজিটিভ ওইবা ৱাখল্লোন মীয়ামগী ঈচেলদা য়াওরক্তুনা খুন্নাই অদু চাওখৎলক্কদৌরিবনি। এদ্যুকেসন্দি খুন্নাইদুদা অফবা ৱাখল্লোন শাগৎকদৌরিবা সাইন্সনি সবজেক্টতুনি। ক্বালিটি এদ্যুকেসনদি খুন্নাইদুগী অফবা অৱাংবা লম্বী থোনগদবা লিভিং ফোর্সনি। এদ্যুকেসন ক্বালিটি য়াওহনসি হায়রবদি অফবা লাইব্রেরি শেমগত্তবা-শাগৎতবা য়াদে। মদ্রাজ অমসুং য়ূমলোন্নবা ষ্টেটতদি কুমজা ১৯৩০/৩১ দগী ডা. রঙ্গনাথন্না খুঙ্গংগী য়ূমথোং খুদিং য়ৌনা লাইব্রেরিগী ৱাখল্লোন শাগৎপা হৌখ্রে। ষণ গাড়ীদা ফাওবা লাইরিক হাপ্তুনা মীয়ামদা লাইরিক ফংহন্দুনা লাইরিক পাবগী কলচর শাগৎপা হৌখি। কুমজা ১৯৪৮ দগী লাইব্রেরি এক্ট চৎনহন্দুনা মপূং ফাবা পব্লিক লাইব্রেরি সিষ্টেম চৎনহনখ্রে। মতুং তারকপদা অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং কর্ণাটাকানচিংবা ষ্টেটশিংদসু পব্লিক লাইব্রেরি এক্ট নিংথিনা চলাইদুনা পব্লিক লাইব্রেরি সার্ভিস মীয়ামদা নিংথিনা য়ৌহনবা ঙমখ্রে।

রঙ্গনাথন্না ইরম্বা মালেমগী মীয়াম্না য়ানরবা লাইরিক ফাইভ লোজ ওফ লাইব্রেরি সাইন্স অদুমক চৎনহন্নবা পোলিসি শেম্বা হায়বসি মমল য়াওবা খুন্নাই অমা ওইনা হিংগে হায়রবদি য়াম্নমক মথৌ তারিবনি। লৈঙাক্লসু হীরমসিদা মরম চানা মিৎয়েং চঙবিফম থোকই।

কুমজা ১৯৮৮ গী ওগষ্ট ১ দা ষ্টেট এসেমব্লিনা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরি বিল পাস তৌরগা কুমজা ১৯৯৩ গী জুন ৯ দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীদুনা এক্ট ওনখি। বিল পাস তৌখিবা চহী ২৮ হেল্লে, এক্ট ওনখিবসু চহী ২৩ হেল্লবা ফাওবসিদা মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা লৈঙাক্কী ৱাখল চুম্না থাদদ্রি।

মণিপুরদা পব্লিক লাইব্রেরি সিষ্টেম মপূং ফাগদবা য়াম্না ৱাৎলি। দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরিশিং অমা অনী নত্তনা ফঙ্কসন তৌদ্রি, মচাক অমত্তা লৈত্রি। স্কুল কোলেজ লাইব্রেরিশিংসু অদু মঙাই। এন্যুএল পর্চেজ সিষ্টেম অমত্তা লৈতে, বজেট সিষ্টেমসু অমত্তা কোলেজশিংদা লৈবা থেংনদে। মহৈরোয়শিংদা পীবা লাইব্রেরিগী সার্ভিস মপূং ফাদে। স্কুলশিংগী লাইব্রেরিনা হেন্না ফীভম ফত্তে। স্কুলশিংনা লৌরিবা লাইব্রেরিগী ফিদুগী পীফম থোকপা কম্পেনসেট ওইবা য়াবা লাইব্রেরিগী সার্ভিস ফংহন্দে। এদ্যুকেসন মপূং ফাহনগে হায়রবদি লাইব্রেরি সিষ্টেম মপূং ফাহন্দবা য়াদে। মফম মফমদা মরু ওইনা খুঙ্গংশিংদা লাইরিক পাফম (রিদিং সেন্তর) অমদি নৈনফম শেমগত্তবা য়াদে। শান্ন খোৎনবদা, আর্ট এন্দ কলচরদা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী লিদিং রোল লৌবগুম ঐখোয়গী ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা সিভিল সার্ভিসতা অমদি সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদসু ইন্দিয়াগী লিদিং রোল লৌবা ঙমগদবা ঈশ্বরনা পীনবিরকপা টেলেন্ট য়াওজরি। তৌবতবু নহারোলশিংদা য়াওজরিবা টেলেন্টশিংদু মফম মতম চানা নর্চরিং তৌবিবা, মখোঙ শোম্বীবা মথৌ তাই। মশা মতোমতা নর্চরিং তৌহনসি হায়রবদি নহা ওইরিঙৈ স্কুল মতমদগী পাবগী হৈনবী মপূং ফানা শাগৎপা ঙম্নবা লাইব্রেরী মপুং ফানা স্কুলশিংদা লৈহনবা, শেমগৎপা মথৌ তাই।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিসিং গ্রুপনা, মণিপুরদা লাইব্রেরি মতিক চাদবদগী ঐখোয়গী নহারোলশিংনা অতৈ ষ্টেটকী নহারোলশিংগা চাংদম্নবা ঙমদবনি হায়বগী ৱাফমদা মীয়ামগী মত লৌবদা ১০০ দা ৮৩ না চুমই হায়রকখ্রে। তশেংনমক অতৈ ষ্টেটশিংগীগা য়েংনরুরবদি ঐখোয়গী ষ্টেটকী লাইব্রেরিগী ফীভম য়াম্না নেম্লি। মওং মরিল তাদ্রি, লৈঙাক্না লাইব্রেরিগী হীরমদা মিৎয়েং চঙবা য়াম্না ৱাৎলি। ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী তুংগী আর্কিটেক্ট ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক অশানবা মিৎয়েং থম্বা মথৌ তারি। লাইব্রেরিগী কানবা মীয়ামদা মপূং ফানা ফংহল্লগা কানগদৌরিবসি খুন্নাইসিনি। 'রিদ, লার্ন, লিদ ৱেল অমসুং প্রোসপর' হায়বা ৱাখল্লোন লমদমসিগী লিদরশিংগী ৱাখলদা চঙবা ঙমদ্রি। ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী তুংগী য়েংদুনা লাইব্রেরি নেটৱার্ক শেমগৎপা তঙাইফদ্রে। এসেমব্লিনা পাস তৌখ্রবা চহী ২৮ হেল্লবা পব্লিক লাইব্রেরি বিল অমসুং চহী ২৫ হেল্লবা এক্ট ঙসি ফাওবা চৎনহন্দবা হায়বসি ঐখোয়গী অশোনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মীয়ামগী মরক্তসু লাইব্রেরিগী মতাংদা এৱেয়ার্নেস মপূং ফানা য়ৌহনবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। এসেমব্লিগী কেন্দ্র ৬০ গী এম এল এ খুদিংনা কেন্দ্র খুদিংদা কম্যুনিটি হোল শাবদা রিদিং সেন্তর অমমম পীক্তক্লা ওইরবসু হাপ্পীরবদি লাইব্রেরি মুভমেন্ট শাগৎপদা খরদংদা ওইরসু মতেং পাঙবা ঙমগনি নীংই।

অতোপ্পা অমনা ষ্টেট অসিগী এম পি অহুম্না মফম অহুমদা ঙাইরাংবম, ফাংফাই অমদি হয়েন হঙ্গুন্দা মোদেল ভিলেজ অমমম শেমগৎপগী ৱাফম লৈখ্রে। শেমগৎকদৌরিবা মোদেল ভিলেজশিংদুদা লাইব্রেরিগী খুদোংচাবা ফংহনবগী ৱাফমদি থেংনখিদ্রি।

ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী মহৈরোয়শিংনা ৱাদনা নম্বর ফংনিংবগী ৱাখল্লোন স্পুন ফিদিংগী মওংদা ট্যুসন চৎতুনা য়াম্না কন্না লাইরিক পাদ্রবসু য়ারে হায়বগী ৱাফমদা তুংগী খন্দনা চৎনবী অমা ওইরক্লিবসি ঐখোয় খন্থবা মতম ওইরে। মশাদা য়াওজবা টেলেন্ট মশা মতোমতা পাদুনা এক্সর্সাইজ তৌজরগা ফংলকপা ৱাখলদুনা খ্বাইদগী ফবা লার্নিং মখলনি।